# হুইয়েন লানপাও

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




এন আই এনা এ টিগী তেঙ্গোল্লোইনি হায়বা মীওই ৪ ফাজিনখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবা খোঙজংদা ক্বাকৈথেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট সৌবাম সোবিতানা পাউমীশিংদা পেন্দবা ফোঙদোকপা


থম্মোয় পাউদম : পূন্সি-শক্তম, শিনফম ...-২৪ লামায় ২

লামায় ৪ ফৌ থাবগী অফবা কাঙলোন খরা

শেন্দোং লৈনা ওককী ফার্ম লীংনবা... লামায় ৫

লামায় ৬ খুন্নাইসিগীদমক ঐ-ঐনা লৌগদবা ...

ভিএটনামগী লানদা য়ু এসনা চাক তাঙবা... লামায় ৮

লামায় ১০ ৱর্ল্ড কপঃ দেনিস উন্দভকী পাঞ্জলনা...




বোটকী মপোক কুমওনগা লোয়ননা ৱর্ল্ড ম্যুজিক দেগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টরনা নেশনল এৱার্দিশিংদা মনা লাম্ভোকপদা সাহিত্য একাদেমি বাল পুরস্কর এৱার্দ ফংলকখ্রবী ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিদা মনা খূৎশিন্নবা


Vol. 51, Issue No. 89 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, June 22, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## থৌবালগী এন আই এ কোর্টতা ৱায়েল চথুনবা কেস ১৪ পরেং লেংলে অতোপ্পা কোর্টশিংদগী কেস ২০ হেন্না ট্রান্সফর তৌরক্কদৌরি

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** আউটলো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশনশিংনা অন-লোফুল এক্টিভিটিশিং চৎথে হায়রদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না হোম মিনিষ্ট্রিদা হায়জবদগী মিনিষ্ট্রি অসিনা ওর্দর পীদুনা এন আই এনা ইনভেষ্টিগেশন চথুবা কেস কয়া লৈরকপগী মথক্তা মে ৩,২০২৩দগী চথুরক্লিবা তমথীরবা লানগী থৌদোকশিংগী মনুংদগী খরগী মতাংদসু ষ্টেট লৈঙাক্না হায়জবগী মতুংইন্না এন আই এদা খূৎশিন্নরকপদগী এজেন্সী অসিনা খূৎপায়নবা কেস মশীং য়ামখৎলক্তুনা মসিগী ৱায়েল চথুনবগীদমক থৌবালদা নৌনা হাংদোকপা এক্সক্লুসিভ স্পেশল কোর্ট মণিপুর (এন আই এ) দা ঙরাং ফাওবদা ৱায়েল চথুরগদবা কেস মশীং ১৪ লৈরে।





মণিপুরগী অহানবা এন আই এগী এক্সক্লুসিভ স্পেশল কোর্ট অসি থা অসিগী ৮গী অয়ূক্তা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস এম সুন্দরনা লুচিংলগা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, হায় কোর্টকী জষ্টিস এ বিমোল, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লৈলোন ভাইফৈ ১সুং কোন্সাখুলদা নুমিদাংদগী হৌনা কম্বাইন্দ ফোর্সনা ওপরেশন চথখ্রে, নোংমৈ কাপ্পগী মখোল য়াম্না তাখ্রে

### কোটুনা ঙরাং নুংথিল পুং ৪দগী নেশনল হায়ৱে-২ অমসুং ৩৭তা মতম কক্তনা ইমর্জেন্সি বন্দ/শটদাউন চথুবা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী গমনোম সপরমৈনা পি এসনা কোনবা লৈলোন ভাইফৈ কুকি খুলগী নুপীশিংনা হান্না ফারবা মতুংদা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু অমদা খূৎশিন্নখিবা নাগা মীচম ১৮গী মনুংদা চহী ২গী অঙাং য়াওনা নুপী ১২ থাদোরকখ্রবসু পাষ্টর ২ য়াওনা নাগা নুপা ৬পুনা মীহাৎ থীনা হাৎতোল্লক্স্বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা কম্বাইন্দ ফোর্সনা মখা তানা লৈলোন ভাইফৈ অমসুং কোন্সাখুলদা পাক্তক্লনা ওপরেশন চথখ্রে।





কম্বাইন্দ ফোর্সনা ওপরেশন চথুবা হৌরকখিবদগী ঙসি অয়ূক পুং ৭.২০ লোম তারকপদা লৈলোন ভাইফৈ কুকি খুলদা নোংমৈ মরূ ১৫ রোম কাপ্পগী মখোল মনাক নকপা খুলগী খুঞ্জাশিংনা তাবা ফংখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### জেনিমসতা লায়কন্নরিবী নাগা নুপী ৯দা তেংবাঙখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস):**

মমাঙ থাগী ১৩দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী সাইতু গম্ফাজোল সব-দিভিজনগী মনুং চনবা লৈলোন ভাইফৈ কুকি খুলগী নুপীশিংনা হান্না ফারগা মমিৎ অমসুং মখূৎ পুল্লগা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু অমদা শিন্নখিবদগী ফাজিন্দুনা থম্লক্লগা থাদোরকপদগী থা অদুগী ১৫দা ময়ূমদা য়ৌরকখ্রবসু কোন্সাখুলদা লৈবা ঙমদবদগী মখান খুলগী চর্চতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা নুপী ১২গী মনুংদগী জেনিমসতা লায়ন্নরক্লিবী চহী অনীগী অঙাং য়াওনা নুপী ৯দা মেজর খুল মাথিয়ানমৈ (মেজর খুল ৱিমেন্স সোসাইটি) না শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### দ্রগ পেদ্দলর ২ হিরোইন কিলোমখায় হেনবগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোলগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৯দা পুলিসনা ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী ইরোং চেশাবা ময়ায় লৈকায়দগী এম এম মুস্তাকিম (২৪) অমসুং এম দি ইমতিয়াজ অহম্মদ (১৮) কৌবা দ্রগ পেদ্দলর নহা অনী লৈশাংথেম খোং মনুং এরিয়াদগী হিরোইন/ব্রাউন সুগর গ্রাম ৫৪০ অমসুং মারুটি শুজুকি এ ষ্টার এম এন-০৬/এল এক্স-৪৫০৬কা কোন্ননা ফারে হায়রি।

### মীওই ১ নোংমৈ ২গা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস):**

সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙরাং উরিপোক লাইখুলেম্বী লৈকায়দগী হৌজিক্না লাঙ্গোল লৈমা খুল্লেন লৈকায়দা লৈরবা খুন্দ্রাকপম সৈত্যবহোন এলিয়জ বোন (৪৭) কৌবা মীওই অমা মেগজিন অমমমগা কোন্নবা পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল অনী, নোংমৈ অসিগী মরূ ১৪ য়াওবা বোক্স অমগা কোন্ননা ফারে হায়না পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ফোঙদোরক্লি।

### য়ু জি গ্রুপ অনীগী কাদর ১/১ ফারে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস):**

পুলিসনা ঙরাং লৌশাংখোং মখা লৈকায়দগী কোঞ্জেংবম দিলিভর এলিয়জ থেম্বুং (২৭) কৌবা প্রিপাককী কাদর অমা ইম্ফাল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টকী থোকফম গেট ময়াদগী ফারে হায়না পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, চেরোল অসিনা ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ময়াং লাংজিং তমাংদগী টি ঐচ নাওবা এলিয়জ পামুবা (৩১) কৌবা কাদর অমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী লমশাং পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুংদা লৈরিবা মহাক মশাগী য়ূমদগী ফারে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## মীখল নকশিল্লকপসিদা নুপীশিংদা লুপা লিশীং ১০ পীগনি হায়না লাং থাক্লক্লিবসিদা থুবীগনু : বিমোল

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :**

হৌজিক ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লবা মতমসিদা নুপীশিংদা লুপা লিশীং ১০ পীগনি হায়না তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংবু লান্না উহনবা অমদি মীখল নকশিল্লক্লবা তাঞ্জাসিদা থাক্লক্লিবা লাংসিদা মীয়াম্না থুগুমসি হায়না কোংগ্রেস এম পি প্রোফেসর বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।





ৱাফম অসি ঙসি শীংজমৈগী মহিলা কোংগ্রেস, ব্লোক কোংগ্রেস, য়ুথ কোংগ্রেস অমদি বুঠ কম্মিটিনা শীন্দুনা শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা এম পি সী সীগী মেম্বর ওইনাম রোমেনগী য়ূমদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা ৱিমেন্স কনভেন্সনদা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। থৌরমসিদা ওইনাম রোমেন অমদি কোংগ্রেসকী মরু ওইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

এম পিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি লোগী ৱাংমদনি। মণিপুরদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশন অমদি সুপ্রিম কোর্টকী কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎত্রে। মে ৩,২০২৩দগী ঙসি ফাওবদা কন্সটিট্যুশনগী চৎন-পথাপশিং থুগায়দুনা লাক্লিবা অসিগী মায়োক্তা মীয়াম্না ঈহৌ চঙশিনবা মতম ওইরে। মণিপুর পুলিসকী দি জি পিগী ফম অসি মণিপুর লৈঙাক্না হাপকদবনি। সেন্টর লৈঙাক্না হাপ্লক্কদবা নত্তে। থবক অসি ষ্টেটকী সবজেক্তনি। ...মখা লমায় ৬ কলম ৪

## খুদিংমক থেংনরগে, মীয়াম্না এসেমব্লি য়ৌনবা থিনবীয়ু : বৃন্দা

### মথং চহী ২০২৭কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা থৌনাওজম বৃন্দানা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** মথং চহী ২০২৭কী ফেব্রুৱারী নৎত্রগা মার্চকী অনীশুবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকফম থোক্লিবা মণিপুরগী ১৩শুবা এসেমব্লি মীখলদা ১৪-য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইরগনি হায়না থৌনাওজম বৃন্দানা লাউথোকখ্রে।





ৱাফম অসি ঙসি য়াইস্কুল জন্মস্থানদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা পাঙথোকপা মীরেপ ওইগনি লাউথোকপগী থৌরমদা মহাক্না তিনখিবা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি।

টি ঐচ বৃন্দানা হায়, ঐনা লৈঙাক্কী থবক তৌরিঙৈদা মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা চথরক্লিবা পোলিসিশিং অসি অসুম্মক চথুদুনা লৈরবদি মণিপুর অসি লোইরগনি হায়বা খঙলকপদগী থবক্তগী পোথাদুনা মমাঙগী ইলেক্সনদসু কন্টেষ্ট তৌরকখিবনি। মীখল অদুদা মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুবু মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী সপোর্টতি ফংজখি। হন্দক অমুক থোরক্লিবসি ষ্টেট এসেমব্লি য়ৌনা চঙদ্রবদি ঐনা অমদি মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্লিবা পুরক্লিংলিবা অওনবা মণিপুর পুরকপা ঙম্লোই খনবদগী ফিরেপ অসি লৌবনি হায়খি। ...মখা লমায় ৬ কলম ৭

## গভর্ণর এ কে ভল্লানা লুচিংদুনা ১২শুবা ইন্টরনেশনল দে ওফ যোগ পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :**

মালেমগী মফম পুম্নমক্তা পাঙথোকপগুম ষ্টেট অসিদসু গভর্ণর এ কে ভল্লানা লুচিংদুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ষ্টেটকী থাক্তা থৌরম অসি মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।



থৌরমগী মনুং চন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোলকটাদা পাঙথোকপা নুমিৎ অসিগী থৌরমগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা পীখিবা পাউজেলসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা য়েংমিন্নখি। খুমন লম্পাক্কী থৌরমদা মহৈরোয়শিং, লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিং, যোগবু নুংশিজবশিং, সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অমসুং মীয়াম য়াওনা মীওই লিশীং ১ হেনবনা শরুক য়াখি।


থৌরমগী মনুং চন্না গভর্ণরনা মীপূম খুদিংমক্না নুমিৎ খুদিংগী হৈনবী ওইগদবনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা 'যোগ আসনাস' পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম এল এশিং অমসুং চীফ সেক্রেটরিসু শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অসি 'যোগ ফোর হেল্থদি এজিং' হায়বা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসি ইম্ফালগী লোক ভবনদসু গভর্ণর অমসুং মণিপুরগী ফর্ষ্ট লেদিনা শরুক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম এল এনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী পাউমীশিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচএনএস) :** নম্বোলগী দিভেলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেশননা কুমসি চহীগী ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী এগজামদা মথংশিংনা চাদা ৮০ অমসুং ৭৫গী মথক্তা ফংদুনা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিংবু ১৪রকশুবা ওইনা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং নম্বোল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, টি ঐচ বসন্তকুমারনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মথৌ পাঙথোক্লিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১







ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫